এম ভেনকয়া নাইদু লৈবাক্কী ১৩ শুবা ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা থবক পায়বগী ৱাশক লৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১১(এজেন্সী) : ঙসি অয়ুক এম ভেনকয়া নাইদু ইন্দিয়াগী ১৩ শুবা ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। বি জে পিনা লূচিংবা নেসনল ডেমোক্রেটিক এলায়েন্সকী মীরেপ ওইখিবা নাইদুনা মমাঙ চয়োলদা পাঙথোকখিবা ভাইস প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা মায় পাকখিবনি।

রাষ্ট্রপতি ভবনগী দরবার হোলদা ঙসি ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম হৌদ্রিঙৈদা মশাগী চহী ৬৮ শুরবা নাইদুনা রাজঘাটতা চৎতুনা মহাত্মা গান্ধীগী মীতমদা ইকায়খুম্নবা উৎখি। জন শঙ্ঘগী লূচিংবা দীন দয়াল উপধ্যয় অমদি সরদার বলাভাই পটেলগী মফমদসু ইকায়খুম্নবা উৎখি। অপূনবা ভোট ৫১৬ ফংখিবা নাইদুনা ওপোজিসনগী মীরেপ গোপাল কৃষ্ণ গান্ধীবু মায়থীবা পীখিবনি।

ভাইস প্রসিদেন্টকী মীরেপ ওইনা লাউথোরকখ্রবা মতুংদা নাইদুনা এন ডি এ গভর্নমেন্টতগী কেবিনেট মিনিষ্টরগী ফম থাদোকখিবগা লোয়ননা বি জে পিদগীসু তোকখি।

ফম থাদোকখ্রবা ভাইস প্রসিদেন্ট হমিদ অন্সারিনা ঙরাং লৈবাক অসিগী মুস্লিম মীয়াম লাংতক্লবা পোক্লে হায়না ফোঙদোকখিবগী মতাংদা নাইদুনা হায়খি মদুদি, মশক নাইবা লূচিংবা অমনা পোলিটিকেলগী ইথিল চঙবা ৱাফম ফোঙদোকপা লাইবক থিবনি।

ৱাশক লৌবা লোইরবা মতুংদা ভেনকয়া নাইদুনা হায়খি মদুদি, রাজ্য সভাগী চ্যেরমেন অমা ওইনা হাউসতা ওপোজিসনগী মেম্বরশিং ৱা ঙাংনবগী খুদোংচাবা ফংহনগনি অদুবু গভর্নমেন্টনা অরোইবা ৱারেপ লৌগনি।

রাজ্য সভাগী চ্যেরমেন ওইরবা মতুংদা অহানবা ওইনা ৱা ঙাংখিবদা মহাক্না হায়খি, রুলিং পার্টিনা মতিক-ময়াই পায়বা তারবসু ওপোজিসনদা ৱা ঙাংনবগী খুদোংচাবা ফংহনগনি। অদুবু মীয়াম্না অয়াবা পীদুনা থাগৎলকখ্রবা গভর্নমেন্টনা অরোইবা ৱারেপ লৌগনি।

হান্না বি জে পিগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা নাইদুনা হায়খি মদুদি, হৌজিক্তি মহাক পার্টি খূদিংমক্কী মহুৎ শিনবা মীশক ওইরে। মরম অদুনা মীচং-মীখায় নাইদবা মওংদা মীয়ামগী অপাম্বা ফংহন্নবা হোৎনগনি। মেম্বর খূদিংমক ৱা ঙাংনবগী খুদোংচাবা ফংহনবা তারবসু পার্লিয়ামেন্টকী কাংলোন ঙাক্লা থবক তৌবা মথৌ তাই।

পোলিটিসিয়নশিংনা অমনা অমবু য়েক্নবা ওইনা লৌরোইদবনি হায়না পল্লদুনা নাইদুনা হায়খি, লৈবাক্কী মপাঙ্গল কনখৎহনবগা লোয়ননা মীয়ামগা মতেং পাংনবা হোৎনবদা ওপোজিসন অমসুং রুলিং পুন্না থবক তৌমিন্নবা মথৌ তাই। ডিমোক্রেসিদা মেম্বর মশিং য়াম্বা পার্টিনা খুদোংচাবা লৌবগী মহুৎতা মেম্বর খূদিংমক্কী ৱাখল্লোন ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা লৈবাক্কী য়াইফনবা থৌরাং লৌখৎনবা হোৎনগদবনি।

টার্ম অনীরক ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং রাজ্য সভাগী চ্যেরমেন ওইরম্লবা মতুংদা শগোলশেন নুমিৎতা মতম লোইদুনা পোথাখ্রবা হমিদ অন্সারিগী মহুৎতা মশাগী চহী ৬৮ শুরবা নাইদুবু অনৌবা ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখি।

পার্লিয়ামেন্টকী অপ্পর হাউসতা ৱা ঙাংখিবদা মহাক্না ইচম চম্বা লৌমীগী ইমুং অমদগী হৌরকখিবগী ৱাফম নৌহৌনা ফোঙদোকখি। ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসননা মরম ওইরগা লাইরবা ইমুং মনুংদগী হৌরকপা মহাক্নুম্বা মীওই অমনা লৈবাক্কী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইবা ফংলকপনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম লোইশিনখ্রে, বিল ৯ পাস তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী) : নুমিৎ ১৯নি চংথরকখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম ঙসি লোইশিনখ্রে।

তেল্লবা মতম অসিদা হাউস অনীমক্না তোঙান তোঙানবা হীরমদা বিল ২৫ পাস তৌনবা পান্দম থমখি। গভর্ণমেন্টকী প্রাইয়রিটি প্রসিদেন্টনা মমাঙদা চৎনহনখ্রবা ওর্দিনান্স মরিগী মহুৎ শীন্নবা বিল পাস তৌবগী ৱাফম য়াওখি। হায়রিবা বিল মরি অদুগী মনুংদা অহুমদি গুদস এন্দ সার্বিসেস টেক্স (জি এস টি)গা মরী লৈনৈ।

মীফম চংথরিঙৈদা ওপোজিসন অমসুং রুলিংগী মরক্তা তোয়না য়েৎনখিবা মরম্না অরেম্বদা মতম কয়ামরুম মাঙখিবদগী বিল অয়াম্বা পাস তৌবা ঙমখিদে। হাউস অনীমক্না অপীবা মতমদগী হেন্না শাংথনা মীফম পাঙথোক্লবসু মাঙখিবা মতম মেনখৎপা ঙমখিদে।

সিটিং মেম্বরশিং লৈখিদবগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোক্তুনা মীফম য়ৈথোকখিবা মরম্না হাউস অনীমক্কী মতম অমুক্কা হেন্না তেনশিন্না ফমখি।

লোক সভাদা লৈখিদ্রবা মেম্বর অনী-বিনোদ খনা অমসুং সনৱার লাল জাটকী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা নুমিৎ নীনি মখল অমত্তগী বিজিনেস পায়খৎখিদে।

রাজ্য সভাদসু লৈখিদ্রবা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর ইনভাইরোনমেন্ট অনিল মাধব দাবেগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা মীফম হৌবা নুমিৎতা থবক অমত্তা পায়খৎখিদে।

লোক সভা অমসুং রাজ্য সভানা বিলশিং খন্নবদা মথংশিংনা পুং ২৮ অমসুং পুং ২২ চঙখি। লোক সভাদা গভর্ণমেন্ট লেজিসলেটিব এজেন্দা অয়াম্বা অরায়বা মওংদা পাস তৌখি।

পাস তৌখিবা বিল ১৩গী মনুংদা জি এস টি রেজিম জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা চৎনহন্নবগী বিল অনী য়াওখি। পার্লিয়ামেন্টকী লাৱর হাউসনা লৈবাক্কী আই আই এম ২০দা ইন্সটিট্যুট ওফ নেসনল ইমপোর্টেন্সকী ষ্টেটস পীদুনা দিগ্রী সার্টিফিকেট পীবা ঙমহন্নবা বিল পাস তৌখি।

হাউস অনীমক্তা কন্না য়েৎনখিবা বিলশিংগী মনুংদা বেঙ্কিং রেগ্যুলেসন (এমেন্দমেন্ট) বিল য়াওখি। বিল অদুগী মতুং ইন্না লোন খোমগৎপগী মতাংদা রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই)না বেঙ্কশিংদা য়াথং পীবা ঙমহনগদবনি। হায়রিবা বিল অদু রাজ্য সভানা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পাস তৌখি। অদুম ওইনমক অপ্পর হাউসনা শুপ্নগী বিল তরেৎখক পাস তৌবা ঙমখি।

নেসনল কম্মিসন ওন বেকৱার্দ ক্লাসেস (এন সী বি সী)দা কন্সটিটুসনেল ষ্টেটস পীনবা কন্সটিট্যুসন (১২৩শুবা এমেন্দমেন্ট) বিলদি পাস তৌবা ঙমখিদে। লৌমীশিং স্যুসাইদ তৌখিবা, ঈচাউ, মোব ভাইওলেন্স অমসুং দলিতশিংদা তাথি-তাওইনা তৌবগী ৱাফম খন্নবদা হাউস অনীমক্না পুং ৫৫ চঙখি।

ইন্দিয়ন আর্মিনা চপ চানা মায়োক্লনবা শেম-শারে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী) : সিক্কিমগী দোক্লামদা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী লান্মীশিং মুক্নরিঙৈ চৈরক্তা য়ুনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা লোক সভাদা হায়খ্রে মদুদি, ইন্দিয়ন আর্মিনা য়েক্লবগা চপ চানা লম্বা পানবা শেম-শারে।

দোক্লামদা মুক্নরিঙৈগী চৈরক্তা চাইনানা টিবেটতা লান্মী থাজিল্লকখিবগী মতাংদা হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

করি মরমগী ইন্দিয়ন আর্মিদা মতিক চাবা খুৎলাই পায়হন্দ্রিবনো হায়বা হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা জেটলিনা হায়খি, ইন্দিয়ন আর্মিনা হীরম খূদিংমক্তা য়েক্লবগা লম্বা পাবদা থোইদোক্লা নোপকদবা লৈতে।

দিফেন্স ফোর্সেসতা শুপ্নগী নুমিৎ ২২নিখক শীজিন্নগদবা নোংমৈ মরু লৈ হায়না কন্ট্রোলর এন্দ ওদিটর জেনরেল (সী এ জি)না পীরকখিবা রিপোর্ট অমগী মতাংদা দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খি, সী এ জিনা রিপোর্ট শেম-শারিঙৈ মনুংদা দিফেন্স ফোর্সেসনা য়েক্লবগা লম্বা পাবদা মথৌ তাবা পোৎলম খূদিংমক পৈশিনবা লোইখ্রে।

অমরোমদা, এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা ভুটানগী মহাক্না ফম মান্নবা দেমচো দোর্জিগা উনদুনা নাকল অনীগী ওইবা ৱাফম কয়া কুপ্না খন্নখ্রে।

বে ওফ বেঙ্গল ইনিসিয়েটিব ফোর মল্টি সেক্টরেল টেক্নিকেল এন্দ ইকনমিক কোওপরেসন (বিমষ্টেক) লৈবাকশিংদগী লাকপা ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী মীফম য়াওরিবা সুস্মা স্বরাজনা দোক্লামদা ওইরক্লিবা ফীভমগা মরী লৈননা ভুটানগী ফোরেন মিনিষ্টর দেমচো দোর্জিগা ৱারী শানখিবনি হায়না এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী সেক্রেটরি প্রিতি সরননা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি।

দোক্লামগী মতাংদা চাইনাগা মুক্নরিবা ইন্দিয়ন আর্মিনা ইন্দিয়া, ভুটান অমসুং চাইনাগী লোন্নবা ঙমখৈদা লৈবা খুঙ্গং অমদগী লান্মী লৌথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি।

মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না নাথাং খুঙ্গংদা লৈরিবা খুঞ্জা পুম্নমক খুদক্তা ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা চৎখিনবা ইন্দিয়ন আর্মিনা চেকশিন ৱা পীখ্রে হায়রি। নাথাং হায়রিবা খুঙ্গং অসি য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অনীগী লান্মীশিং থা ২ রোম মুক্নদুনা লাকখিবা দোক্লামদগী কিলোমিটর ৩৫ লাপ্না লৈবনি।

নাকল অনী খুৎ থোক্লবা মতমদা মীচম শোকহন্দনবগীদমক থৌরাং অসি লৌখৎখিব্রা নৎত্রগনা ৩৩ কোরগী লান্মীশিং দোক্লাম তম্না থাজিন্নবা থৌরাংলা হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। দোক্লামগী মতাংদা চাইনানা কয়ারক হন্না কিহল্লকখিবা মরম্না ইন্দিয়ন আর্মিনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি য়াম্না মরুওইনা লৌনরি।

ওগষ্ট ০৯দা ইন্দিয়া অমদি চাইনানা ঙমখৈদা মুক্নরিঙৈগী চৈরক্তা টিবেটান স্পিরিচুয়েল লীদর দলাই লামানা হায়খ্রে মদুদি, হৌজিক হৌজিক দোক্লামদা য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অনী মুক্নরিবসি থোইদোক্না খুদোং-থিনিংঙাই ওইদে। ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা ঙমখৈগী ৱাংমা ৱাংমদা ঈং-তপ্না লৈনবা পান্বে পুথোক্লদবনি।

‘জে এন্দ কেগী স্পেসল ষ্টেটসতা মন্তিক্লবা তৌরোই’

শ্রীনগর, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী) : জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতিনা হায়খ্রে মদুদি, ষ্টেট অসিদা পীরিবা স্পেসল ষ্টেটসকী মতাংদা মন্তিক্লবা তৌরোই।

পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উনদুনা ৱারী শানরবা মতুংদা পাউমীশিংগা উনবা অমদা মুফতিনা হায়খি, জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা পীরিবা স্পেসল ষ্টেটসতা অকায়বা থোকহল্লোই হায়বা ৱাফমদা য়ুন্ফম ওইরগা পিপলস দেমোক্রেটিক পার্টি (পি দি পি) অমসুং ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না লৈঙাক পায়মিন্নখিবনি। মরম অদুনা আর্টিকল ৩৭০গী মতাংদা মন্তিক্লবা তৌরোই।

কুমজা ১৯৫৪দা প্রসিদেন্টনা পীখিবা য়াথং অমগী মতুং ইন্না কন্সটিট্যুসন্দা আর্টিকল ৩৭০ হাপ-চিন্দুনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা স্পেসল ষ্টেটস ফংহনখিবনি। আর্টিকল অসিগী মখাদা ষ্টেটনা মশাগী লো শেমজনবগী অয়াবা পীরি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী মীওই নত্তনা অতোপ্পা মফমদগী লাকপা মীওই অমত্তনা ষ্টেট অসিগী লম লৈবা অমসুং গভর্ণমেন্টকী থবক তৌবা য়ারোই হায়বা ৱাফম আর্টিকল অসিদা ময়েক শেংনা য়াওরি।

মমাঙ থাদা দিল্লিগী এন জি ও অমনা এপেক্স কোর্টতা আর্টিকল অসিবু শীংনরদুনা পিটিসন অমা ফাইল তৌরকপা লৈখ্রে।

‘ৱি দ সিটিজেন্স’ কৌবা এন জি ও অমনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসননা হায়খি, লৈবাক অসিগী মফম পুম্নমক্তা চপ মান্নবা লো চৎনহনবগী মহুত্তা জম্মু এন্দ কাশ্মীর খক্তদা স্পেসল ষ্টেটস পীবগী থৌওং অসি কন্সটিট্যুসনগী ৱাংমদা লৈবা থৌওংনি হায়না লৌফম থোকই। কুমজা ১৯৫৪দা মতমদুগী প্রসিদেন্টনা কন্সটিট্যুসন শেমদোকপগা ঙম্বগী রাইট লৈতে হায়নসু এন জি ও অসিনা পুখৎলকখি।

শগোলশেন নুমিত্তা চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতিনা হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ উনদুনা ৱারী শানবা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, বি জে পিনা হায়খ্রে মদুদি, জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা কন্সটিট্যু-সনগী আর্টিকল ৩৭০ অমসুং ৩৫ (এ) চৎনহনবগী ৱাফম নৌনা য়েংশিনবা মথৌ তারি। বি জে পি কাশ্মীর য়ুনিটকী স্পোক্সপার্সন বিরেন্দর গুপ্তনা হায়খি, আর্টিকল অনী অসি চৎনবনা ষ্টেটকী মীয়ামদা কান্নবা পীবগী মহুত্তা মাঙ-তাক্নবগী মরম ওইহল্লে।

আর্টিকল ৩৭০না জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা স্পেসল ষ্টেটস পীরি। আর্টিকল ৩৫ (এ)গী মতুং ইন্না ষ্টেট লেজিসলেচরনা পার্মেনেন্ট সিটিজন লেপথোক্লবগী মতিক ময়াই পীরি। হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা আর্টিকল ৩৭০না তোখায় তাবগী ঈহৌ শাগৎপদা মতেং পাংশিল্লে হায়না গুপ্তনা ফোঙদোকখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা স্পেসল ষ্টেটস পীখিবা তারবসু লৈবাক্কী ওইবা থৌরাং লৌখৎলকপা মতমদা ষ্টেট অসিবু নাইতোম ইন্থোক্তুনা থম্বা চুমদে। জি এস টি চৎনহনবনা ষ্টেট অসিগী লল্লোন-ইতিক তৌরিবা মীওইশিং অমসুং মীচম মীয়ামদা চাউনা কান্নবা ফংহনগদবনা ষ্টেট অসিদসু জি এস টি চৎনহনগদবনি হায়না অরুণ্ঝ জেটলিনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

‘আধার-পান লিঙ্ক তৌনবগী অরোইবা মতম থাখিবা লৈতে’



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী) : গভর্ণমেন্টনা আধার অমসুং পান লিঙ্ক তৌনবগী মতাংদা অরোইবা মতম থাখিবা লৈতে হায়না লোক সভাদা ঙসি ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা ফোঙদোকখ্রে।

দিজিট ১২গী বাইওমেট্রিক আধার অমদি পার্মেনেন্ট একাউন্ট নম্বর (পান) লিঙ্ক তৌনবগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা অকক্লবা মতম থাখিবা লৈত্রা হায়না হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা জেটলিনা হায়খি, মীপুম খূদিংমক আধার অমদি পান লিঙ্ক তৌহনগদবনি হায়খিব তারবসু অকক্লবা থাখিবা লৈতে।

জুন ২৮ ফাওবদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা পান কার্দ পায়বা মীওই ক্রোর ২৫ অমসুং আধার কার্দ পায়বা মীওই ক্রোর ১১১ লৈরে হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা ওগষ্ট ৮দা আধারগা লিঙ্ক তৌদবা পান লাখ ১১ হেন্না দিএক্টিভেট তৌবা লৈখ্রবনি।

মী শিবগী রেজিষ্টর তৌবদা আধার নম্বর য়াওবগী মথৌ তারোই হায়না গভর্ণমেন্টনা শেংদোরকপা লৈখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা গভর্ণমেন্টনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমা শিরবা মতুংদা দেথ রেজিষ্ট্রেসন তৌবদা আধার নম্বর য়াওদবা য়ারোই হায়বা ৱাফম অদু অরানবনি। কনাগুম্বা মীওই অমনা লৈখিদ্রবা মরী-মতা অমগী দেথ সার্টিফিকেট লৌবদা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী আধার নম্বর পীগদবনি হায়বা ৱাফমদি লৈ।

রেজিষ্টর জেনরেল ওফ ইন্দিয়ানা রেজিষ্ট্রেসন ওফ বর্থ এন্দ দেথ এক্ট, ১৯৬৯গী সেক্সন ৩ (৩)গী মখাদা লৈখিদ্রবা মীওই অমগী দেথ সার্টিফিকেট লৌগে হায়রবদি লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী আধার নম্বর পীগদবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, মীগী মশক মমিং লোৎশিনবা য়াহন্দনবগীদমক ওক্টোবর ১দগী কনাগুম্বা মীওই অমা শিবগী দেথ রেজিষ্ট্রেসন তৌবদা আধার নম্বর য়াওদবা য়াররোই হায়না হোম মিনিষ্ট্রিগী নোটিফিকেসন পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

হোম মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকখিবা নোটিফিকেসন অমনা হায়খি মদুদি, জম্মু এন্দ কাশ্মীর, অসাম অমসুং মেঘলয়া য়াওদনা অতৈ ষ্টেটশিংগী ওইনদি ওক্টোবর ১দগী হৌনা মী শিবগী দেথ রেজিষ্ট্রেসন তৌবদা আধার য়াওদবা য়াররোই।

হোম মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লৈবা রেজিষ্ট্রার জেনরেলগী ওফিসনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা মীওই অমগী চপ চাবা মমিং মথানচিংবা অকুপ্পা মরোল পুম্নমক খঙবা ঙম্নবগীদমক অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। কনাগুম্বা মীওই অমা লৈখিদ্রবা মতুংদা অতোপ্পা মীওই অমনা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মিংদা খুদোংচাবা লৌবা য়াহন্দনবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎপনি।

এন ঈ ঈ টি : মহৈরোয়শিংদা পীখিবা মার্ক নৌনা য়েংশিন্নবা সী বি এস ঈদা খঙহনখ্রে

অলাহবাদ, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী) : চহী অসিগী নেসনল ইলিজিবিলিটি কম এন্ট্রান্স টেষ্ট (এন ঈ ঈ টি)তা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংদা পীখিবা মার্ক নৌনা অমুক য়েংশিনগদবনি হায়না অলাহবাদ হায় কোর্টনা সী বি এস ঈদা খঙহনখ্রে।

ওবজেক্টিব টাইবকী ৱাহং ১৮০গী পাউখুমদা অরানবা অমা য়াওখি হায়বা খঙলকখ্রবা মতুংদা হায় কোর্টনা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎনবা খঙহনখিবনি।

অন্দর গ্রেজুয়েট মেদিকেল কোর্সশিংনা মিং চন্নবগীদমক এন্ট্রান্স টেষ্টতা শরুক য়াখিবী সোমিত্র গিগোদিয়া কৌবী মহৈরোয় অমনা রিট পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখ্রবা মতুংদা জষ্টিস তরুন অগরৱাল অমদি জষ্টিস অশোক কুমার য়াওবা দিভিজন বেঞ্চ অমনা হায়খি, হন্দক্কী এন্ট্রান্স টেষ্টতা মহৈরোয়শিংনা ফংখিবা মার্ক নৌনা অমুক য়েংশিনবা মথৌ তাই।

পনবা য়াবদি, এন ঈ ঈ টিগী কন্মন ক্বেসন শেমগদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা সী বি এস ঈদা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

এন ঈ ঈ টিগী মতাংদা মহৈরোয় অমনা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসনগী হিয়ারিং চংথরবা মতুংদা এপেক্স কোর্টনা সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন (সী বি এস ঈ)দা হায়খি মদুদি, মথং চহীদগী করম্বা মওংদা এগজাম পাঙথোক্লদগে হায়বদু এফিদেবিট অমা ফাইল তৌদুনা খঙহল্লক্কদবনি।

মমাঙ থাদা মহৈরোয় খরনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অমনা হায়খি মদুদি, ইংলিশ অমসুং হিন্দী লোন্দা শেম্বা ৱাহং চেগা য়েংনবদা অতোপ্পা লোন নিপান্দা শেম্বা ৱাহং চেনা লুবা হেনবদগী মহৈরোয়শিংদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লহল্লে।

মমাঙদা পাঙথোকখিবা হিয়ারিং অমদা সী বি এস ঈনা ৱাহং চে শেম্বদা খেন্নবা থম্বগী ৱাফম লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবা তারবসু সুপ্রিম কোর্টনা হায়খি মদুদি, ইংলিশ অমসুং হিন্দী লোন নত্তনা অতৈ লোন্দা এন্ট্রান্স এগজাম থাবা মহৈরোয় কয়া মায় পাকপগে হায়বদু কোর্টতা ময়েক শেংনা খঙহল্লক্কদবনি।

সাইনিক স্কুল, এন দি এদা নুপীমচাশিং তমহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি : সুভাশ ভামরে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী) : সাইনিক স্কুলশিং অমসুং নেসনল দিফেন্স একাদেমি (এন দি এ)দা নুপীমচাশিং মিং চলহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর দিফেন্স সুভাশ ভামরেনা ফোঙদোকখ্রে।

লোক সভাগী ৱাহং পাউখুম মতমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটিনা হীরম অসিগী মতাংদা সজেসন পীরকখিবা লোয়ননা হীরম অসিগা মরী লৈনবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) কয়াসু ফাইল তৌরকখ্রে। এন দি এ অমসুং সাইনিক স্কুলশিংদা নুপীমচাশিং তম্বা য়াহন্নবা মেম্বরশিংনা সজেসন পীরকপসু লৈখ্রে।

হৌজিক হৌজিক দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা নুপীমচাশিংবু লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা সাইনিক স্কুলশিং অমদি এন দি এদা মিং চনবা য়াহনগদ্রা হায়বগী মতাংদা কুপ্না খন্নরি। হৌজিক ফাওবদা লৈবাক্কী তোঙানবা মফমদা সাইনিক স্কুল ২১ লৈরি অমসুং অতোপ্পা ২১ লিংখৎনবগী অয়াবা ফংলে হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, স্কুল মাপন লিংখৎনবগী মতাংদা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) সাইন তৌনরে। স্কুল অহুমগী মতাংদনা ইন-প্রিন্সিপল ওইনা অয়াবা পীরে। অতোপ্পা স্কুল ৬৪ হাংদোক্লবগী মতাংদসু দিফেন্স মিনিষ্ট্রিদা প্রপোজেল পীশিল্লক্লে।

পনবা য়াবদি, দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লৈবা সাইনিক স্কুলস সোসাইটিনা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা সাইনিক স্কুলশিং লিংখৎপগা লোয়ননা মেনেজ তৌবনি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR
NINGTHOUKHONG, MANIPUR

Ref:- Mut. Case No. 322/SDC/NTK/2017

1. Yumnam Ibeyaima Devi w/o (L) Modhu Singh of Naranseina Mamang Leikai, 2. -do- Anand Singh s/o (L) Modhu Singh of -do-, 3. -do- Yaiphaba Singh s/o (L) -do- of -do-.

-Applicants

-Vs-

Late Yumnam Mangol Singh s/o (L) Gokul Singh of Naranseina.

-O.P. Party

[illegible]/NOTICE

Ningthoukhong, the 11th Aug, 2017

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি ৪৮-নরানসৈনাগী পাট্টা নং ৬৫ (অরিবা), ৩৬৭ (অনৌবা), সী. এস. দাগ নং ৩৯, এরিয়া ১.৬৮ acre of Phourel Class অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মহুৎতা মথক্তা পল্লিবা দংকারি মাগী মশু, মমৌ অসিনা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অমদি মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মরী-মতা অমসুং মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ১৯/৮/২০১৭ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্তা তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Ningthoukhong, Manipur.

HL-P/261212

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR
NINGTHOUKHONG, MANIPUR

Ref:- Mut. Case No. 323/SDC/NTK/2017

1. Yumnam Ibeyaima Devi w/o (L) Y. Modhu Singh of Naranseina Mamang Leikai, 2. -do- Anand Singh s/o (L) Modhu Singh of -do-, 3. -do- Yaiphaba Singh s/o (L) -do- of -do-.

-Petitioners

-Vs-

Late Yumnam Mangol Singh s/o (L) Gokul Singh of Naranseina.

-O.P. Party

[illegible]/NOTICE

Ningthoukhong, the 11th Aug, 2017

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি ৪৮-নরানসৈনাগী পাট্টা নং ৩৭৩ (অরিবা), ৩৬৮ (অনৌবা), সী. এস. দাগ নং ৪২, এরিয়া ১.৬২ acre of Phourel Class অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মহুৎতা মথক্তা পল্লিবা দংকারি মাগী মশু, মমৌ অসিনা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অমদি মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মরী-মতা অমসুং মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ১৯/৮/২০১৭ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্তা তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Ningthoukhong, Manipur.

HL-P/261212

HL-B/4054/4to3 Sept.

DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD

MBBS in BANGLADESH
DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR & RAJSHAHI
(**)1st PAYMENT 5 LAKH [TOTAL PACKAGE 20L]
REMAINING INSTALLMENT WITHIN 4 YEAR
HURRY!!! LIMITED SEATS ONLY

MBBS in INDIA, KYRGYSTAN, CHINA, KAZAKH & PHILIPPINES
We Provide Special Coaching For ANATOMY, BIOCHEMISTRY, PHYSIOLOGY and BENGALI (Language) by our RENOWNED PROFESSORS with audio and Visual Class Beforehand

B.Sc./M.Sc.
Agriculture, Forestry, Horticulture, Fishery, Medical Microbiology, B.Pharm., B.E./B.Tech (all stream) CBZ, BPT, B.Sc. Nursing, GNM,
→ at DEHRADUN, CHANDIGARH BENGALURU & GUWAHATI
TOP & OLDEST RECOGNISED COLLEGES

BDS in INDIA (no donation)
Top Colleges Recognised by DCI

BAMS Ayurvedic Few SEATS

Regional Office :- Office Regd. No. 548/SR(IE)
LUWANG EDUCATIONAL TRUST
Palace Compound Near Pioneer Academy, Imphal East
☎ 9856167106 ☎ 7005683347
Visit us at :- www.luwangedutrust.com